**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 02-01-2025)**

**উতম (এল)**ঃ সোসিএল ৱেলফিয়ার দাইরেক্তর-ঙাঙোম উতমনা হায়রি-ওল এজ পেন্সন, ৱিদো পেন্সন, সি.এম.ঐচ.টিনচিংবগী বিনিফিসরশিংদা চহিসিগী মার্চ ফাওবদা পীফম থোকপা শেনফমশিং পীথোকবা হোৎনরি।

রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা শেল থুমগী অৱাবা কয়া মায়োকজরবসু শেনফমশিং অসি পীথোকবা থৌরাং লৌখৎলি। শ্রী উতমনা হায়-সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগনা পার্সন্স ৱিট দিসএবিলিটিশিং, স্কিল দিবলপমেন্ট ত্রেন্নিং পীদুনা মশানা মশাবু থবক পীজনবা থৌরাংসু পায়খৎলে।

**ইংবা (এল)**ঃ মনিপুরগী চীংগী জিলাশিংদা কা হেন্না ইংবগী অৱাবা মায়োকরে। নোনে জিলাদা ঙসি অয়ুক লৈচিল কা হেন্না থাবদগী লম্বীদা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অপনবা থোক্লে। ঐখোয়গী পাউমী-অগুই কামৈনা হায়-ইংবদগী মীয়াম য়ুমদগী মপান থোকদ্রে। কৈথেল, দুকাননচিংবা থোং হাংনদ্রে।

জিরিবাম জিলাদসু ঙরাংদগী কা হেন্না ইংবদগী মহৌশাগী পুন্সিদা অপনবা থোক্লে।

**ব্লড (এল)**ঃ রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ মেদিসিন, এসোসিয়েসন ওফ ভোলুন্টরি ব্লড দোন্নর, লোনজা অরেপ্পা ফাউন্দেসন পার্সোনেলিতি এন্দ টেলেন্ট দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, লাইনিংথৌ সনামহি লুপনা খুৎশমরগা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পুন্না মীওই ৭০ রোমা ঈ দান তৌখি।

**লম্বী (এল)ঃ** রাজ্যগী ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমন্টেকী চীফ ইঞ্জিনিয়ারনা থোকপা

হুকুম অমগী মতুং ইন্না লমফেল-শিজ হোস্পিতাল লম্বী অসি মতম খরগী ওইনা থিংজিল্লে হায়রি। মসি লমফেলপাৎ রিজ্‌ভেসন প্রোজেক্টকী মখাদা কেবল-ষ্টে থোং শানবনি। মীয়ামগী খুদোংচানবা থাংমৈবন্দ-লাঙ্গোল গেমস ভিলেজ রোড অমদি তরুং ভিলেজসু শেমলি হায়না চীফ ইঞ্জিনিয়ারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

**লাইরিক (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চিংমৈরোং কবুই খুলগী তিংকাউ রাগৱাংদা 'তিকুরাদিং' হায়বা লাইরিক অমা ফোংবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা রাজ্য অসিগী রাজ্য সভাগী সদস্য লৈশেম্বা সনাজাউবা শরুক য়াখি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ফ্রেন্দলি ভোল্লিবোল মেটচ অমা চাং দল জিলাগী খেংজোই সব দিভিজনদা হৌখিবা দিসেম্বর ৩১ দা পাঙথোকখ্রে।

ফ্রেন্দলি মেটচ অসি হৌগৎলক্লিবা নহাশিংবু শান্ন খোৎনবদা লমদা হেন্না থৱায় য়াওশিনবা অমদি অফবা লম্বীদা চৎপদা মতেং পাংনবগী ৱাখল্লেনা পাঙথোকপনি। মেটচ অসি তেংনৌপল জিলাগী বি. বোংজাংদসু পাঙথোকখি। মেটচ অদুদা পুন্না নহা ১১ না শরুক য়াখি।

**ক্রোপঃ** প্রধান মন্ত্রি ক্রোপ ইন্সুরেন্স স্কিমগী মখাদা লুপা কোতি লিশিং ৬৯,৫১৫ কায়থোকপা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা য়ারে।

অমরোমদা, য়োজনা অসিগা লোয়ননা রি-ষ্ট্রকচর ৱেদর বেজ ক্রোপ ইন্সুরেন্স স্কিম মখা তানা ইং ২০২৫-২৬ ফাওবা চথনবা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা অয়াবা পীখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম লোইরবা তুংদা পাউমীশিংদা ৱাফম অসি

ফোংদোক্লদুনা কেন্দ্রগী ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়-স্কিম অসিগীদমক কায়থোক্লিবা শেনফম লুপা কোতি ৬৯ দগী ৫১৫ দা হেনগৎহল্লে। মহাকা হায়-হৌখিবা চহি ৮ অসিদা লৌমীশিংদা স্কিম অসিগা মরী লৈননা লুপা কোতি লাখ অমা লিশিং ৭০ পীখি।

দি.আই. এমোনিয়ম ফরটিলাইজর (দি.এ.পি) দা ৱান টাইম স্পিপসিএল পেকেজ পীবগী থৌশিল মখা চশ্থনবসু মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম অদুনা ৱারেপ লৌখি।

দিপার্টমেন্ট ওফ ফরটিলাইজরনা হায়জরকপগী মতুং ইন্না স্পিপসিএল পেকেজ অসি লৌমীশিংদা অহোংবা মমলদা দি.এ.পি. ফংহন্নবা পান্দমদা ঙরাংদগী চৎনবদা অয়াবা পীখি।

শ্রী বৈসনোনা হায়-লৌমীশিংনা কিলোগ্রাম ৫০ গী দি.এ.পি. বেগ অমদা লুপা লিশিং ১,৩৫০ ফংহল্লগনি।

**রাজনাথ ঃ** ঙাকশেল মন্ত্রালয়না অনৌবা চহি ২০২৫ বু মন্ত্রালয় অসিগী ওইনা ঙাকশেলগী লমদা তুং কোইনা চৎনগদবা রিফোর্মশিং পায়খৎনবা চহিনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী সেক্রেটেরিশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা মন্ত্রালয় অসিনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং, প্রোজেক্টশিং অমদি রিফোর্মশিং হন্না য়েংশিনখি। পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং য়েংশিল্লবা মতুংদা অনৌবা চহি অসি ঙাকশেলগী লমদা শিংথানিঙাই ওইবা থবক কয়া পাঙথোকপা ঙমগদবা ইয়ার ওফ রিফোমর্স ওইরগনি হায়না মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

**শিবরাজ ঃ** রুরেল দিবলপমেন্ট মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা হায়রি-সরকারনা হৌদোকপা য়াইফ থৌরাংশিং মপুং ফানা থবক্তা ওন্থোক্লবা মতমদা লৈবাক অসি

লাইরবা লৈতবা লৈবাক অমা ওইহনবা ঙমগনি।

মহাক্কী মন্ত্রালয়না পায়খৎলিবা থৌরাংশিং য়েংশিল্লদুনা ন্যু দিল্লিদা ঙরাং শ্রী চৌহাননা হায়-য়াইফ থৌরাংগী থবক পায়খৎপা মতমদা অককবা মতমগী মনুংদা লোয়শিন্নবা পান্দম থমগনি। থৌরাং অসিনা ভারতপু লাইরবা লৈতবা লমদম অমা ওইহন্নবা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী মংলান মংফাওনহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনা গ্রামিনগী মখাদা পুন্না য়ুম লাখ ৪২ শানবা পান্দম থম্বদা য়ুম লাখ ৩২ শানবা শেনফম কায়থোকখ্রে অমসুং মমাং চহিগী জন থাদগী দিসেম্বর ফাওবদা য়ুম লাখ মরি হেন্না শাখ্রে। শ্রী চৌহাননা হায়-চহি অসিদা ইং ২০২৪-২৫ গী হান্ননা য়াখ্রবা য়ুম লাখ ১০ রোম শানবগী পন্দুনা লৈরিবা শেনফমশিং পীথোক্লগনি।

**ৱেদরঃ** ইন্দিয়ান মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই.এম.দি) না হায়রি-ইং ১৯০১ দগী য়েংলকপদা ইং ২০২৪ অসি খ্বাইদগী শাবা চহি ওইখি।

আই.এম.দিগী দাইরেক্তর জেনরেলনা পাউমীশিংদা হায়-জানুৱারী থা অসিদা লৈবাক অসিগী নোংপোক, অৱাং নোংচুপ অমসুং নোংচুপকী ময়াই থংবা শরুক খরা নত্তনা লৈবাক অসিগী মফম অয়াম্বদা ইংবগী চাং মহৌশাদগী হন্থগনি হায়না পারি। মহাকা হায়-হায়রিবা মতম অসিদা খ্বাইদগী শাবগী চাংসু লৈবাক্কী মফম অয়াম্বদা হান্নদগী হেনগৎলবা য়াই। অদুমওইনমক, ময়াই থংবা ভারতকী নোংচুপ অমসুং অৱাং থংবা মফমশিংদদি জানুৱারী থা মনুংদা হান্নদগী খরা হেন্না ইংলবা য়াই।

**এভিয়েসনঃ** সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রালয়না ইয়ারলাইন্স, ইয়ারপোর্ট ওপরেটর, ষ্টেকহোল্ডরশিংগা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লৈচিল থাবগী চাং হেনগৎলকপদা পায়খৎকদবা থবক থৌরাংশিংগী মতাংদা খন্নখ্রে।

লৈচিল থাবগা মরী লৈননা খুদোংচাদবা মায়োকরকপা মতমদা সেক্যুরিতি এজেন্সিশিং য়াওনা পুন্না হোৎনমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না মীফম অদুদা ফোংদোকখি। সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রি-কিনজারাপু রাম মোহোন নাহদুনা ৱেদরনা মরম ওইদুনা এরোপ্লেন পাইবগী মতম থেংথদনবা অমসুং পেসেঞ্জরশিংবু হেন্না খুদোংচাহন্নবা থৌরাং পায়খৎনবা হায়খি।

**লদাগঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা জম্মু কাশ্মির এন্দ লদাগ-থ্রু দা এজেস কৌবা লাইরিক অমা ফোংগনি।

থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি-ধমেন্দ্র প্রধান, শকাইরবা অইবশিং, একাডমীয়ানশিং অমসুং শিক্ষা মন্ত্রালয়গী ওফিসিএল কয়া শরুক য়াগনি। লাইরিক অসিনা জম্মু কাশ্মির অমসুং লদাগকী চহি লিশিং অহুমগী ইতিহাস তাঙ্কক তরেৎ থোকা উৎলি। নেসনেল বুক ত্রষ্ট ইন্দিয়া অমসুং ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ হিষ্ট্রিকেল রিছার্সনা লাইরিক অসি হিন্দি অমসুং ইংগ্রাজি লোলদা পুথোকপনি।

**মহারাস্ত্রাঃ** মহারাস্ত্রাদা নক্সলাইটকী মকোক থোংবা য়াওনা মীওই ১১ গদচিরোলি পুলিস ষ্টেসনদা চংজরকখ্রে। মীওই ১১ অদুগী মনুংদা নুপী ৮ য়াওরি। মহারাস্ত্রগী মুখ্য মন্ত্রি-দেবেন্দ্র ফরনাবিচনা সরকারদা চংজরক্লবা নক্সলাইটশিংদা লুপা লাখ ৮৬ কী শেলগী তেংবাংসু খুৎশিন্নখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা মফম অসিগী পুলিসশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিংবুসু থাগৎপা ফোংদোকখি। মখা তানা নক্সলাইটকী মায়োক্তা চংশিল্লিবা থবকশিং অসি মখা তানা চত্থখিগনি হায়রি।

অমরোমদা, মহারাস্ত্রাগী সোলাপুর জিলাগী মেন্দরগী মনাক্তা থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা নুপী অনি য়াওনা লাই খুরুম্বা লাকপা মীওই মরি লৈখিদ্রে, মীওই তরেৎলোম অশোক অপন নংলে। থৌদোক অদু লাই

খুরুম্বা লাকপা মীওইশিং তোংবা জিপ অমগা ত্রক অমগা থেংজিন্নবদগী থোকখিবনি। অশোকপা মীওইশিং মনাক নকপা হোস্পিতালশিংদা লায়েংলি।